# ‘অসাম অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়ামগী খন্দব্রা, মাইগ্রেন্ট বাংলাদেসিখক্তগী খনব্রা হায়বদু পার্টিশিংনা শেংদোক্কদবনি’



*ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ ঃ*
অসামদা ঙরাং ফোঙখিবা ড্রাফ্ট সিটিজন লিষ্ট অদুগী মতাংদা বি জে পি চীফ অমিট সাহনা ঙসি ওপোজিসন্দা ওনশিন্দুনা অকনবা মওংদা চৈখ্রে অমসুং অসাম অমসুং ইন্দিয়াগী হক্কী মতাংদা মখোয়না থোইদোক্লা খন্দব্রা নৎত্রগা মাইগ্রেন্ট বাংলাদেসিশিং খক্তগী খনব্রা হায়বসি পার্টিশিংনা ময়েক শেংনা শেংদোকপগী মতম ওইরে হায়খি।

বি জে পি গী চীফ অসিনা অতম্পনা অকনবা মওংদা ওপোজিসন্দা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি পার্লিয়ামেন্টদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ওপোজিসন্না প্রোটেষ্ট তৌদুনা প্রোসিদিংশিং অপনবা পীখিবা অমসুং মহাক্না ৱা ঙাংবদা অথিংবা পীখিবা অদুগী মতূংদনি।

নেস্নেল সিটিজন্স রেজিষ্টারদগী লাক্ষ ৪০ রোমগী মমিংশিং য়াওরকখিদবা অদুনা হৌজিক চপ চাবা পোলিটিকেলগী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরকখ্রে। বাংলাদেশতগী চঙশিল্লকপা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংবু তাম্হোক্লবগী মমিংদা অসামদা লৈরিবা মুস্লিমশিংগী মথক্তা তাথিবা থবক লৌখৎলি হায়না ওপোজিসন্না বি জে পি দা মরাল শীরকখি।

অদুবু ঙসি নেস্নেল সিটিজন্স রেজিষ্টারগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা ওপোজিসন্না চত্থরম্বা লান অদু ওপোজিসনগী হেক মথক্তা চত্থরকপনি। তাংনা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা অমিট সাহনা হায়খি, করিগুম্বা নখোয়না মীওইবগী হক্কী মতাংদা ঙাং শক্তুনা য়াম্না মরু ওইনা খনবা তারবদি অসামগী মীয়ামগী হক্কী মতাংদদি করি তৌবা তারে। মখোয়গী মহৈ–মশীং তম্বা, থবক ফংবা অসিনচিংবা হক পূন্নমক মখোয়গী মখূৎতগী মুনখ্রে। লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি ইন্দিয়াগী মীয়ামগী হক অদু ঙাক্লবগীদমকনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানশিংগী হক্কা মরু ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বসি পার্টি খুদিংমক্লা মখোয়গী অশেংবা ফিরেপ লৌগদবনি।

অমিট সাহনা কংগ্রেস চীফ রাহুল গান্ধীদা অমুক ওনশিল্লদুনা বাংলাদেসি ইনফিল্ট্রেতরশিংগী মতাংদা মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিনা লেপ্লিবা ফিরেপ অদু করিনো হায়না শেংনা উৎকদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

কুমজা ২০০৫ দা থবক হৌখিবা অদুগা থবক অদু মপূং ফানা চত্থনবা থৌনা লৈখিদবগীদমক নেস্নেল সিটিজন্স রেজিষ্টারগী ৱাখল্লোন পুথোক্লিবা কংগ্রেসতা অমিট সাহনা মরাল শীখি।

কংগ্রেসনা ফুল মেজোরিটি লৈনবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা সহি তৌখিবা অসাম এক্কোর্দ হায়বদুগী ফলনি এন আর সি হায়বসি। মসি মীয়ামগী মমাঙদা ঐহাক্না য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহনবা পাম্মী।

অসাম লিষ্ট অদুগী মায়োক্তা কন্না লেপ্লিবা অতোপ্পা লুচিংবা অমা ওইরিবা বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীগী মতাংদা অমিট সাহনা মখা তারদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না সিভিল ৱারগী ৱাফম ফাওবা পুখৎতুনা মীয়ামদা চমন্নবা অমা শন্দোক্লি। মহাক্না ভোট–বেঙ্ক পোলিটিক্স শান্নে হায়নসু মরাল শীখি।

লিষ্ট অদুদগী মমিং লাক্ষ ৪০ লৌথোকখিবা অদু মীওইশিং অদুনা মখোয়গী সিটিজনসিপকী প্রমাণ পীবা ঙমখিদবগী মরমদগীনি হায়না অমিট সাহনা হায়খি।

অরানবা শুকয়াও য়াওদবা থবক লৈতে। মসি ড্রাফ্ট লিষ্ট অমনি। কনাগুম্বা অমা লিষ্ট অসিদা য়াওরক্ত্রবসু মহাক্না ৱাকৎপা য়াই। সুপ্রিম কোর্টনা লেপ্লকপা প্রোসেস অমগী খুথাংদা মীওইশিং অদুগী মখোয়গী সিটিজনসিপ প্রমাণ পীনবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা মতীক চানা লৈরি হায়না অমিট সাহনা মখা তাখি।

# এন ঐচ ৩৭০ গী মতাংদা অশোয়বা লৈখিবগীদমক মালেসিয়া সিভিল এভিয়েসন চীফ ফম থাদোকখ্রে

*কুলালা লাম্পুর, জুলাই ৩১ঃ*
হৌজিক ফাওবদা করিনো হায়বা খঙদনা অঙকপা ওইদুনা লৈরিবা মালেসিয়া এয়ারলাইন্স ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ থিবা খঙদনা মাঙখিবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অমা পুথোকখ্রবগী তুংদা মালেসিয়াগী সিভিল এভিএসন ওথোরিটিগী চীফ অদু ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফম থাদোকখ্রে।

মীওই ২৩৯ গা লোয়ননা কুলালা লাম্পুরদগী বৈজিং তন্না পাইকিবা ফ্লাইট অমগী মনুংদা চহী ৪ গী মমাঙদা এয়ারলাইন অদু মাঙখিবগী মতাংদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা থিজিনবগী রিপোর্ট অদু ফোঙদোক্লকখি।




হৌজিক মতমগী এভিয়েসনগী হিষ্টোরিদা খ্বাইদগী চাওবা করিনো খঙদবা অঙকপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অদুনা থোইদোক্না অনৌবা অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদে। অদুবু কুলালা লাম্পুরদা লৈবা এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোল সেন্টর অদুনা তৌফম থোকপা খরা তৌখিদবগী অশোয়বশিং ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অদুনা উৎখি।

মহাক্না ফম থাদোকপগী লাওথোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটি ওফ মালেসিয়াগী চিয়ার্মেন অজহারউদ্দিন অব্দুল রেহমননা হায়খি, ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রসিদিওশিং ইনগদবা এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোল অদুদা অশোয়বা কয়া লৈখি হায়না রিপোর্ট অদুনা পুথোক্লি। অদুবু এয়ারক্রাফ্ট অদুবু মাঙখিবগীদমক এভিয়েসন ওথোরিটিদা মরাল শীগদবনি হায়বগী মোত পীদে।

মরম অদুনা ৱাখল য়াম্না খল্লবা মতূংদা নুংঙাইতবগা লোয়ননা ঐনা সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটি ওফ মালেসিয়াগী চিয়ার্মেন ফম থাদোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা মহাক্না হায়খি।

পূন্না লামায় ৪৯৫ পানবা রিপোর্ট অদুদা প্লেন অদুনা পাইননবা লম্বী পরীংদগী থাপ্না থৈদোকখিনবা প্লেন অদুগী কন্ট্রোলশিং অদু অতম্পনা মেনিপুলেট তৌরম্বা য়াই হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিং অদুনা ফোঙদোক্লি। অদুবু কন্ট্রোলশিং অদু অতম্পনা শেমদোক্লিবশিং অদুগী দাইত্য কনাগীনো হায়বদি মখোয়না লেপ্পা ঙমদে হায়রি।

অদুম ওইনমক রিপোর্ট অদুনা কুলালা লাম্পুর এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোল রুমনা তৌখিবা অরানবশিং পুথোকখি। এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোল্লরশিংনা ষ্টেন্দর্দ ইমর্জেন্সি ফেজশিং লৌখৎনবা থবক তৌখিদে অমসুং এয়ার ফোর্সতা পাউ খঙহন্নবা অমসুং রাদর দিসপ্লেদা চেকশিন্না অমসুং লেপ্তুনা য়েংদুনা লৈনবা থবক লৌখৎখি হায়বগী রেকোর্দ লৈতে হায়না ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর এন্থোনি লোকেনা মতম অদুদা দ্যুটিদা লৈখিবা এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোল্লরশিংগী মথক্তা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎনবা অমসুং অতৈ রিকোমেন্দসনশিং তৌরক্নবা ইন্টর্নেল কম্মিটি অমা শেম্লগনি হায়খি।

# তাইৱান প্রসিদেন্টপু য়ু এস টেরিতোরি ফাওদুনা চৎপা য়াহন্দনবা চিনানা য়ু এস তা তকশিনখ্রে

*বৈজিং, জুলাই ৩১ ঃ*
ললোন–ঈতিক্কী লান অমদগী উংখৎনবগী ফিভম হেন্না শাথিরকখ্রবা বৈজিং অমসুং ৱাসিংতনগগী মরক্তা অহেনবা উংখৎনবা অমা হাপচিন্দুনা মথংগী থাদা বেলিজে অমসুং পারাগুৱেদা চৎকদৌরিবা তাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং–ৱেনবু য়ু এস কী টেরিতোরি মনুং ফাওদুনা চৎপা য়াহন্দনবা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চিনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তকশিনখ্রে।

বৈজিংনা দেমোক্রেটিক তাইৱানবু ষ্টেট অমগা ষ্টেট অমগা লৈনবা মরী অদুগী থম্বা য়াদবা ‘‘ৱান চিনা’’ হায়বদুগী শরুক অমনি হায়না লৌই অমসুং ঈথৎ অদু বৈজিংগী মখাদা থন্নবা শক্তি শীজিন্নরোইদবগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

চিনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকগী মরক্তা তাইৱান অসি খ্বাইদগী অরুবা অমসুং মরু ওইবা হীরম অমনি হায়না হান্নদগী চিনানা অদুম্মক হায়দুনা লাক্লি।

তাইৱানগী প্রসিদেন্টশিংনা মীরৈবাক্তা চৎপা খোঙচৎশিংদা য়ু এস তা লম্বীদা পন্দুনা লৈবগী মতাংদা ৱাসিংতনদা বৈজিংনা মতম পূন্নমক্তা য়ানিংদবা ৱাকৎ থাঙ্গৎলিবনি।

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা তাইৱানগী গভর্ণমেন্টনা প্রসিদেন্ট অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ফাওরগা মখোয়গী দিপ্লোমেটিক এলাই অনীদা চৎকনি লাওথোকখি।

বৈজিংদা নুমিৎতুগী পাঙথোকপা শন্নপ্পা পাউদম অমদা ৱা ঙাংবদা চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গেঙ শুৱাংনা হায়রিবা তাইৱান প্রসিদেন্ট অদুগী মতাংদা ৱাসিংতনদা হান্ননা য়ানিংদবা ৱারোলশিং থাখ্রে হায়খি।

চিনাগা দিপ্লোমেটিক্কী মরী লৈনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নৎত্রগা অতৈ লৈবাকশিংনা অসিগুম্বা মখলগী ট্রান্সিট থৌরাং তৌবগী মায়োক্তা ঐখোয়না চপ চানা লেপ্তুনা লৈ হায়না ৱাঙাংলোই অসিনা হায়খি।

তাইৱান রিজনগী লুচিংবা অদুগী ট্রান্সিট অদু য়াহন্দনবা অমসুং তাইৱান ইন্দিপেন্দেন্স ফোর্সশিংদা অরানবা ঈঙ্গিৎ অমত্তা পীদনবসু চিনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তকশিনখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

তাইৱানগী প্রসিদেন্টনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা আগষ্ট থাদা চৎকদৌরিবা অসিগী মতম অসি চিনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটকগী মরক্তা থোক্লিবা ললোন–ঈতিক্কী লান হেন্না কন্না শাথিরকখিবা অমগী চৈরক্তনি।

# আফগনিষ্টানদা ১১ শিখ্রে, নোংপোক সিটিদা নোংমৈ কাপ্পরি

*কাবুল, জুলাই ৩১ ঃ*
নোংচুপ আফগনিষ্টানদা ঙসি লম্বী নাকলগী বোম অমনা পেসেঞ্জর বস অমদা পানবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিরে। নাকল অমরোমদা লৈবাকসিগী নোংপোক থংবা সিটিদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেকশিং চত্থরকপদগী আফগান লান্মীশিংগা নোংমৈ কাপ্পরি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংচুপ থংবা ফারাহ প্রোভিন্সকী মালা মুলুক দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা অয়ূক্কী এটেক অদুদা মীচম ৩১ সু শোকখি।

ঙসি নোংপোক থংবা আফগান প্রোভিন্স নঙ্গহারগী কোনুং জালালাবাদতা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক অমসু চত্থরকপদা গভর্ণমেন্ট লান্মীশিংগা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিং থোক্লি হায়না মফমদুগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি। হৌজিকসু নোংমৈ কাপ্পরিবা মরমনা অকুপ্পা পাউ ফংদ্রি হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়রি।

# অসাম সিটিজন্স লিষ্ট শুপ্নগী ড্রাফ্টনি, মমিং য়াওরক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক চত্থরোইদবনি ঃ *সুপ্রিম কোর্ট*

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ ঃ*
অসাম সিটিজনসিপ লিষ্ট অদু শুপ্নগী ড্রাফ্ট অমনি অমসুং মসিগী য়ূম্ফমদা অকনবা থবক অমত্তা লৌখৎলোইদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি হায়খ্রে লোয়ননা লিষ্ট অসিগী মতাংদা য়ানিংবা অমসুং য়ানিংদবা পূন্নমক লোইশিন্নবা থবকশিং চত্থগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে।

মীওই লাক্ষ ৪০ গী মমিং য়াওরক্ত্রবা সিটিজনশিংগী ড্রাফ্ট লিষ্ট অদুনা পার্লিয়ামেন্ট মনুং অমসুং মপান্দা অচৌবা ৱাথোক ওইখ্রে। ওপোজিসন পার্টিশিংনা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংগী মমিংদা মুস্লিমশিংগী মথক্তা থবক চত্থনবা হোৎনৈ হায়না গভর্ণমেন্টতা মরাল শীখি।



ড্রাফ্ট লিষ্ট অসি আগষ্ট ৭ তা মীয়ামদা ফংহনগনি। মদুদা মিং য়াওরক্তবশিং অদুনা আগষ্ট ৩০ দগী সেপ্টেম্বর ২৮ ফাওবা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি হায়না ঙসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

অসামদা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন শেন্নবগী থবক অসি কুমজা ২০০৫ দা মতম অদুগী য়ু পি গভর্ণমেন্টকী মতমদা হৌখিবনি।

নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স অসি অসামদা চঙশিল্লকখিবা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং মশক খঙদোক্লবা অমসুং ইন্দিয়ান সিটিজনশিংগী লিষ্ট অমা শেন্নবা দিমান্দ তৌখিবা ১৯৮৫ অসাম এক্কোর্দ অদুগী ৱাখল পরীংদা চত্থবনি।

মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীনা ১৯৮৫ দা অসাম এক্কোর্দ অদু সহি তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক কংগ্রেসনা লিষ্ট অসিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ঙাংদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবসি অসামদা লৈরিবা ইলিগেন্ট বাংলাদেসিশিংবু কংগ্রেসনা ঙাক–শেন্দুনা থম্বা পাম্বরা হায়না ঙসি বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা পার্টি অসিবু মরাল শীখি।

অমরোমদা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা সেন্টরনা ইন্দিয়ান সিটিজনশিংবু রিফ্যুজিশিং ওইহল্লে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখি। মহাক্কী ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা অসামদগী চেল্লক্তুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চঙলকপা মীওইশিংদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা চঙজফম পীনবা খন্নগনি হায়নসু মখা তাখি।

চৈরকসিদা অসামদা এন আর সি ড্রাফ্ট ফোঙখিবা অদুদগী থংনরিবা ষ্টেটশিংদা, মরু ওইনা মেঘলায়াদা চৈফু নংবা হৌখ্রে। এন আর সি ড্রাফ্ট ফোঙবগী নোংমা ফাওবা ফাদ্রিঙৈদা মেঘলায়াদা মাইগ্রেন্ট ১,০০০ হেন্না চেনশিল্লকখ্রে হায়না খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এস য়ু) না ফোঙদোকখ্রে।

মাইগ্রেন্টশিং অদু ট্রকশিংদা মপৈ–মপৈ তোংলগা লাকপা উখি। ঐখোয়না মেঘলায়াবু মথংগী অসাম ওইহল্লোই হায়না কে এস য়ু গী জেনরেল সেক্রেটরী দোনাল্ড থাবাহনা হায়খি।

# অনৌবা এন্টি–গ্রাফ্‌ট লো অমগী মখাদা হৌজিক ৱানোমশেন পীবা মীওইশিংবুসু জেলদা চহী ৭ কী চৈরাক পীরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ ঃ*
প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দদগী অয়াবা লৌরগা থমখ্রবা অনৌবা এন্টি–করপসন লো অমগী মখাদা হৌজিত্তি ৱানোমশেন পীদুনা শেঞ্জা–থুমজাগী থবক চত্থবা মীওইশিংবুসু য়ামদ্রবদা চহী ৭ জেলদা থন্নবগী চৈরাক পীরগনি।

অদুবু পব্লিক সার্ভেন্স–পোলিটিসিয়ানশিং, ব্যুরোক্রেটশিং অমসুং বেঙ্করশিংনচিংবা খরদি এক্ট অসিগী মখাদা প্রোজিক্যুসন তৌবদগী ঙাকথোক্লবা মফম অমা পীরি। সি বি আই গুম্বা ইনভেষ্টিগেটিভ এজেন্সিশিংগীদমক হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা ইনক্বারি অমা চত্থগদবগী মমাঙদা মরী লৈনবা মতীক চাবা ওথোরিটি অমদগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌবগী তঙাইফদবা অমা থল্লি।

প্রসিদেন্টনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ১৯৮৮ তা হন্দক্তা অয়াবা পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওর্দর অমনা হায়রি।



এক্ট অসিগী প্রেভিসিয়েলশিং অদু চৎনবা হৌনবগীদমক সেন্ট গভর্ণমেন্টনা জুলাই ২৬, ২০১৮ বু ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা মহাক মশাগীদমক নৎত্রগা অতোপ্পা মীওই অমগীদমক ফংফম থোক্তবা খুদোংচাবা অমা লৌবা নৎত্রগা লৌনবা হোৎনবগী মরালদা থৌদোক মফম্মক্তদা মীওই অদু ফানবগীদমক ওথোরিটিদগী মাঙজৌননা পার্মিসন লৌবগী মথৌ তাদে।

হান্নগী এক্ট হায়বদি প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮ কী খরা মরীক চুমফাৎতবা ৱাহৈ হায়বদি ইনভেষ্টিগেটরশিংগী গোল্ডেন রুল ওইনা ইতৎ–তত্তনা শীজিন্নবা ‘‘চিংনদুনা ফাবা, চার্জসিট অমা থাঙ্গৎখ্রে’’ হায়বসিনা পুকচেন শেংবা মীওই কয়াবু মথৌ তাদনা অৱাবা মায়োক্লহল্লি অদুগা মমৈথংদদি কৈদৌঙৈদসু কনভিক্সন পীবা ঙমদে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হন্দক্তসু ফোঙদোকখিবনি।

করপসন থীংনবা লৈবাকসিগী আইন অমত্তদা ৱানোমশেন পীবশিংবু কোনশিন্দে। চহী ৩০ শুরবা প্রিভেনসন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮ তা করপসনগী মখলশিং অমসুং মরাল লৈবা অদু চৈরাক পীনবগী প্রোভিনজনশিং য়াওরি। এক্ট অসিগী অদুগুম্বা প্রোভিনজন কয়া অদু অনৌবা লো অসিনা শেমদোকখ্রে।

মরন্নাইগী তোংজনবগীদমক শেন পীদুনা ৱানোল্লিবা মীওইশিং জেলদা চহী ৭ কী চৈরাক পীনবগী অনৌবা এন্টি–করপসন লো অসিগী মখাদা শেঞ্জা–থুমজা লৌরিবশিংগীদমকসু য়ামদ্রবদা চহী ৩ জেলগী চৈরাক অমসুং মদু চহী ৭ ফাওবা শাংদোকপা য়াবা চৈরাক ওইনা হেনগৎহনখ্রে। মসি ফাইনগী মথক্তনি।

এক্ট অসিগী মতূং ইন্না করপসন কেসশিংগী ৱায়েল চত্থবা লোইশিন্নবগীদমক অনৌবা এক্টঅসিনা চহী ২ গী অককব্বা মতম অমা পীরি।

# মীহাৎপগী কেসতা নুপী ২ য়াওনা ১৫ পুন্সি চুপ্পগী জেলগী চৈরাক ফংখ্রে

*হিসার, জুলাই ৩১ ঃ*
মমাঙগী লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা এপ্রিল ১২, ২০১৪ দা হরিয়ানাগী হিসার দিষ্ট্রিক্টকী খেরি জালাব খুনদা পোলিটিকেলগী য়েংথিনবা অমগী মতাংদগী মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা প্রদীপ কৌবা মীওই অমবু হাৎপগীদমক এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট এন্স সেসন্স জজ পরমজিট নিজ্জারনা নুপী ২ য়াওনা মীওই ১৫ বু জেলদা পুন্সি চুপ্পগী চৈরাক পীখ্রে।

কোর্ট অদুনা জুলাই ২১ দা মখোয়বু মরাল লৈরে হায়না লেপখি অমসুং চৈরাক অদু ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাওথোকখি। চৈরাক ফংখ্রবশিং অদুদি রাজকুমার, জগদিশ, রাজেশ, রাম রতন, বলবির সিংহ, সোনু, মনোজ, সন্দীপ, প্রদীপ এলাইস কালা, জগবির, বিকাস, মঞ্জিৎ, সুখবির, সুমন অমসুং ওম্পটিনি।

মখোয় খুদিংমক্লা লুপা ২১,০০০ গী শেনফম ফাইন ওইনা পীনবসু কোর্টনা ৱায়েল তাখি।

প্রোজিক্যুসনগী মতূং ইন্না মীওই ১৫–২০ গী খূৎপু অমনা ধরম্বী অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংবু ময়ূমদা ফমদুনা লৈরিঙৈদা থাঙনচিংবনা য়াল্লকখিবনি হায়রি।

মদুদা মখোয় ৭ শোকপদগী সিভিল হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। প্রদীপ অমসুং রোসনিগী ফিভম লুশিল্লকপদগী ডাক্তরশিংনা হিসারদা লৈবা হোস্পিটালদা রিফর তৌরকখি। মদুগী মতূংদা হোস্পিটাল অদুদা প্রদীপ শিখিবনি।

# নুপীমচাশিং রেপ তৌখিবা এন জি ও না চল্লাইবা ২ শুবা সেল্টরদগী নুপী ১১ মাঙখ্রে

*মুজাফরপুর, জুলাই ৩১ ঃ*
মুজাফরপুর সেল্টর হোমদা নুপীমচাশিং রেপ তৌখিবগী কেসতা মরু ওইবা মরাল লৈবা মীশকনি হায়রিবা ব্রিজেশ থাকুরগী এন জি ও না চল্লাইবা সেল্ফ–হেল্প গ্রুপ অমগী প্রিমাইজেসতগী নুপী ১১ মফম খঙদনা মাঙখিবগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা অনৌবা এফ আই আর অমসু লৌখৎখ্রে।

মুজাফরপুরদা লৈবা বালিকা গৃহদা লৈবা নুপীমচাশিংবু ওৎ–নৈবা অমসুং সেকচুয়েল এক্সপ্লোইটেসন চত্থবগীদমক ব্রিজেস থাকুর হৌজিক জেলদা লৈরি। সোসিয়েল ৱেফিয়ার দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর দেবেশ কুমার শর্ম্মনা ঙরাং নুমিদাং মহাক্কী মথক্তা এফ আই আর অদু থাঙ্গৎলকপনি হায়না মাহিলা থাদা ইনচার্জনা হায়খি।

হৌখিবা থাদা নুপীমচাশিংগী সেল্টর হোম অদুদা সেক্স স্কেন্দল অদু মীয়াম্না খঙনরকখ্রবগী মতূংদা এন জি ও অদু ব্লেক–লিষ্ট তৌখি অমসুং এন জি ও অদুনা চল্লাইবা অতৈ হোমশিংগী ফিভম কূপ্না য়েংশিনখি।

অসুম্না য়েংশিনবা মতমদা ছোতি কল্যানি এরিয়াদা সেল্ফ–হেল্প গ্রুপকীদমক লীংখৎপা হোম অদুদা লৈবা নুপী ১১ থিবা খঙখিদবনি হায়না ওফিসিয়েলগী লীখুনসিনা হায়খি।

হায়রিবা নুপীশিং অদু কদায়দা লৈ হায়বগী মতাংদা এন জি ও অদুদগী সোসিয়েল ৱেফিয়ার দিপার্টমেন্টতা থাবা চে–চাং অমত্তগী রেকোর্দ লৈরমদে হায়না লীখুনশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

# মুশারফকী মায়োক্তা থাঙ্গৎপা কেসকী প্রোজিক্যুসন চীফ ফম থাদোকখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জুলাই ৩১ ঃ*
পাকিষ্টানগী হান্নগী মিলিটরি দিক্তেটর জেনরেল (রিটয়ার) পর্ভেস মুশারফকী মায়োক্তা থাঙ্গৎপা লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবা, হায় ট্রিজন কেস অদু, কেস অদুগী প্রোজিক্যুসনগী মকোক ওইরিবা অদুনা হৌজিক সেন্টরদা অওনবা গভর্ণমেন্ট অমা লাকপা য়াবগী ফিভম অদুগী মতূংদা কেস অসি মখা তানা চত্থবা ঙম্লরোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা ফম থাদোকখিবদগী খুদোংচাদবা অমা মায়োল্লখ্রে।

কুমজা ২০১৩ দা পি এম এল–এন না শক্তি পাইরকখ্রবগী মতূং থুনমক হান্নগী প্রসিদেন্ট অদুবু মহাক্না নভেম্বর ৩, ২007 দা ইমর্জেন্সি চল্লাইখিবগীদমক মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎপা হায় ট্রিজন কেসতা প্রোজিক্যুসনগী মকোক ওইনা মোহমদ অক্রাম সৈখপু নৱাজ শারিফ গভর্ণমেন্টনা হাপখিবনি।

ইস্লামাবাদ হায় কোর্টনা ষ্টে ওর্দর অমা তৌখিবা, সুপরিয়র কোর্টশিংনা একজিট কন্ট্রোল লিষ্টতগী মহাক্কী মমিং লৌথোকখিবা মতূংদা মুশারফনা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবদগী কেস অদু মখা চত্থবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

| সনা–সুদোকু –১২৪৪ গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 1 | 7 | 2 | 5 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 4 | 6 | 8 | 3 |
| 5 | 7 | 8 | 3 | 6 | 2 | 9 | 4 | 1 |
| 6 | 1 | 5 | 4 | 9 | 8 | 2 | 3 | 7 |
| 2 | 9 | 7 | 5 | 3 | 6 | 8 | 1 | 4 |
| 8 | 4 | 3 | 2 | 1 | 7 | 5 | 9 | 6 |
| 9 | 6 | 2 | 1 | 4 | 5 | 3 | 7 | 8 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 7 | 9 | 1 | 6 | 2 |
| 7 | 8 | 1 | 6 | 2 | 3 | 4 | 5 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1245**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 3 | 5 | | |
| 9 | 8 | 3 | | 1 | | | 7 | |
| | | 6 | | | | 4 | 8 | |
| 3 | | | | 7 | | | | 2 |
| 5 | | | | | | | 9 | 1 |
| 4 | | | | 6 | | | | 8 |
| | | 2 | | 5 | | | | |
| | | | | | 6 | 9 | | 7 |
| | | | 4 | | 8 | | | |